

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস



Saturday, March 13, 2021, Imphal — Page 11


নুপীগী ক্রিকেটতা ইন্টরনেসনল রন লিশিং ১০ য়ৌখিবা মালেমগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অনীশুবা অদুগা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা ওইদুনা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী বেটসৱিমেন অমদি কেপ্টেনসু ওইরিবী মিথালি রাজ

ৱেষ্ট ইন্দিজ ক্রিকেট টিমগী ওইনা কুমজা ২০১৫দগী কেপ্টেন ওইদুনা লাকখিবা জেসন হোল্ডরনা চহী মঙা মখায় টেষ্ট টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা অদুগী মহুৎ শিল্লগদবা ক্রেক ব্রাইথ ৱাইটে

## যুরোপা লীগতা রোমানা সক্তর দোনেটস থোইখ্রে, ইংলেন্দগী অর্সনেল অমদি হোটস্পরসু মায় পাকখ্রে





রোম, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
যুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা যুরোপা লীগকী ঙরাং অথেংবা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগশিংদা ইটলিগী রোমা য়াওনা ইংলেন্দগী ক্লব অনী অর্সনেল অমদি টোটেনহাম হোটস্পর মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙরাং রোমদা লৈবা ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগ অদুদা রোমানা যূম্বু ওইরগা যুক্রেনগী সক্তর দোনেটসকা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী ২৩শুবা মিনটতা রোমাগী মায়কৈদগী পেদ্রো রোদ্রিগেজনা পীরকপা বোল অমদা লোরেঞ্জো পেলিগ্রিনিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। সক্তর দোনেটসকী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইক্বেলাইজর ফংখিদে।

অনীশুবা হাফকী ময়াই লানশিল্লক্লবা ৭৩শুবা মিনটতা রোমাগী অতোপ্পা এটেক অমদা বোর্জা মায়োরলনা পীরকপা বোলদা ষ্টেফান অল সরাৱিনা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ৪গী মনুংদা অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয় গিয়ান লুকা মান্সিনিনা ব্রাইন খৃষ্টেননা পীরকপা বোলদা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা গ্রিসকী ক্লব ওলিলেম্পিয়াকোসনা যূম্বু ওইরগা ইংলেন্দগী ক্লব অর্সনেলগা লম্বা তৌখি। মেটচ অদুগী ৩৪শুবা মিনটতা অর্সনেলগী মার্টিন ওদিগার্দনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অনীশুবা হাফতা ওলিম্পেয়াকোসকী যুসেফ অল অরাবিনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু নৌনা হিঙ্গৎখি। শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা অর্সনেলগী ৱিলিয়নগী পাস অমদা গেব্রিএলনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মাঙজিল থাখি। মিনট ৫ লৈরগা অর্সনেলগী অতোপ্পা শান্নরোয় মহমদ এল নেনেনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৩-১দা থোইখি।

ঙরাং শান্নবা অতোপ্পা মেটচশিংদা মায় পাকখিবা টিমশিংগী মনুংদা ইংলেন্দগী টোটেনহাম হোটস্পর, নেদরলেন্দসকী এয়াক্স, স্পেনগী ভিল্লারিয়াল য়াওখি। লোয়ননা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর যুনাইটেদ অমসুং ইটলিগী মিলান দ্রো চৎখি। চেক রিপব্লিককী স্লাভিয়া প্রাগ অমদি স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স দ্রো চৎখি।

## অহানবা টি-২০ মেটচতা ইন্দিয়াবু ইংলেন্দনা ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ মাঙজিল থাখ্রে



অহমেদবাদ, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দনা ঙসি গুজরাটকী অহমেদবাদ সিটিদা লৈবা নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টি-২০গী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াবু মখোয়না ৱিকেট ৮দা ইকোম কোম্না থোইখি।

মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মখোয়গী বোলিংগী ফজবনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১২৪ খক লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফীভম য়াম্না শোকখি। ওপনর কে এল রাহুল রন ১দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলি রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মহাক আউট ওইখিবদা স্কোরবোর্দতা ইন্দিয়াগী রন ৩ খক লৈখি।

অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱন রন ৪দা আউট ওইদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুগী অপূনবা স্কোর ২০ য়ৌরকপদা বেটসমেন ৩ আউট ওইখি। রিসব পন্ট অমদি শ্রিয়াস আয়রনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদুবু ৪৮ শুহল্লকখি। পন্ট রন ২১দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা হর্দিক পান্দিয়া অমদি শ্রিয়াস আয়রনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদুবু ১০০ লাম্হোকহনবা ঙমখি। ওভর ১৮গী অনীশুবা বোলদা হার্দিক পান্দিয়া রন ১৯ দা আউট ওইখি। অদুবু মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা থাকুর রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মখা তানা চঙলকখিবা ৱাশিংটন সুন্দর অমদি রন ৬৭ লৌদুনা লৈরিবা শ্রিয়াস আয়রনা মখা তানা ইন্দিয়াগী স্কোর অদুবু ১১৭ য়ৌহল্লকখি। আয়র আউট ওইখ্রবা মতুং অঝর পটেল অমদি ৱাশিংটন সুন্দরনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ১২৪দা লোইশিনহনখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুবু মরুওইনা ইংলেন্দগী বোলর জোফ্রা আর্চরনা ৱিকেট ৩ লৌখিবা অদুনা মচেৎ তানা থুগায়খিবনি।

মায় পাক্নবা ইংলেন্দনা রন ১২৫ লৌগদবা অদু হৌরকপদা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। ওপনর জেসন রোই অমদি জোস বটলরনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্নদুনা রন ৭২ শুহনখি। বটলর রন ২৮দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা দাৱিদ মালান অমদি জেসন রোইনা ইন্নিংস অদুগী স্কোর ৮৯ ফাওবা শান্নমিন্নবা ঙমখি।

জেসন রোই ১১শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা রন ৪৯ লৌরম্লগা আউট ওইখি। অদুবু মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা জোনি বার্ষ্টো অমদি দাৱিদ মালাননা আউট ওইদনা ইন্নিংস অদু শান্নবা ঙমদুনা ১৬শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট অনীখক আউট ওইরগা রন ১৩০ য়ৌখিদুনা ঙসিগী অহানবা টি -২০ মেটচ অদু ইন্দিয়াবু ইংলেন্দনা ৱিকেট ৮দা থোইবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, টি-২০ মেটচ অসিগী মাংওইননা ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দনা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ ৪গী সেরিজ অদু ইন্দিয়ানা মেটচ ৩-১দা থোইবা ঙমখিবনি। মখা তারকপদা হায়রিবা নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দনা টি-২০ মেটচশিং মখা তানা শান্নখিগনি।

## ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা কুং-ফু জজেস অমসুং রেফরি সেমিনার পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস):
মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদ যুনিয়ননা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডা. কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ষ্টেটকী থাক্তা নোংমগী ওইবা কুং-ফু জজেস অমসুং রেফরি সেমিনার অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদকী প্রসিদেন্ট ডা. সী ঐচ প্রদিপকুমার, সেক্রেটরি এস রাজেশ্বর, ওল ইন্দিয়া কুং-ফু ফেদরেসনগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট সিফু টি ঐচ নোরেন্দ্রো, মন্সুরিয়া কুং-ফু ইন্টরনেসনল ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট সিফু টি ঐচ শান্তি, জেনরেল সেক্রেটরি ডা. ঐচ রোমেন, সাওলিন কুং-ফু একাদেমি ৱাংজিং হৈতুপপোকপীগী ফাউন্দর কে বাবু অমদি অতৈ ওজাশিংনা মরুওইবা এগজামিনর অমদি ট্রেনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী সেমিনার অদুদা মণিপুরদা লৈবা কুং-ফু ওজা অমদি জজ ২১না শরুক য়াদুনা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং উৎপগা লোয়ননা অনৌবা কুং-ফুগী কাঙলোনশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

সেমিনার অদুগা মরী লৈননা ডা. সী ঐচ প্রদিপকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ২৪দগী ২৬ ফাওবা ওল মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদ যুনিয়নগী মীৎয়েং মখাদা সাওলিন কুং-ফু একাদেমি ৱাংজিং হৈতুপপোকপীনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫শুবা ষ্টেট লেভেল কুং-ফু চেম্পিয়নশিপ ২০২১গা মরী লৈননা য়াম্না ফজবা ষ্টেন্দর্দ মেন্টেন তৌনা টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা ঙসিগী জজেস অমদি রেফরিশিংগী সেমিনার অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

লিরবা মার্সিএল আর্টস স্পোর্টস অসি চাউখৎনবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়খি। সেমিনারদা শরুক য়াখিবা কুং-ফু জজেস অমদি রেফরিশিংনা এগজামিনরশিং অদুবু থাগৎখি।

## থোকচোম নিখিল ওকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) :
থা অসিগী ৭তা উত্তরখন্দদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ফংলক্লবা মোইরাং কম্পু সাজেব মখা লৈকাইদগী ক্লাস ৭ তম্লিবা থোকচোম নিখিল ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মহাক্না তম্লিবা ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ দুসারা হায় স্কুলগী ওজাশিংনা ওকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থোকচোম নিখিল মমাংদা মণিপুরদা পাঙথোকপা বোক্সিং মশান্নদা গোল্ড মেদলসু ফংবা ঙমখ্রবা শান্নরোয় অমনি। অদুবু বোক্সিং মশান্নদগী থৈদোক্লগা কিক বোক্সিংদা অমুক শরুক য়াদুনা মণিপুরগী মহুৎ শিল্লগা গোল্ড মেদল ফংলকপা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা স্কুল অদুগী ওজাশিংনা ঙসি মহাকপু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মতেং পীখি।

থৌরম অদুদা ওজাশিংগী মায়কৈদগী নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা অফবা শান্নরোয় অমা লৈরকপা অসি য়াম্না থাগৎনিঙাইনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তুংদা থোকচোম নিখিলনা শরুক য়াবা তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা মকোক ওইরকপা ওইরসনু হায়নসু য়াইফ থৌজাল পীখি।

## এম সী কেনা ৱাই এস দব্লিয়ু এ থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) :
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ৪শুবা এল ইতোমচা মেমোরিয়ল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ২০শুবা মেটচতা এম সী কেনা ৱাই এস দব্লিয়ু এবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু হৌবদগী এম সী কেগী শান্নরোয়শিংনা ফজবা হেন্দুনা বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা এম সী কেগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৪ এস রোহিটনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। শান্নবগী পুংখায় হেঞ্জিল্লকপা ফাওবদা ৱাই এস দব্লিয়ু এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্লবদা এম সী কেগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ টি ঐচ লেম্বনা ৩৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা ২-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মখা তানা এটেক হেনখিবা এম সী কেগী জর্সি নম্বর ১৬ এম সুরজনা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ঙসিগী মেটচ অদু মখোয়না ৩-০দা থোইখি।

## সুরেশ শর্ম্মগী ফজবা বেটিং পর্ফোর্মেন্সকী মতেংনা মোদেল ক্লবনা নপসাবু রন ৬৪দা থোইখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস):
লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরক্লিবা ১৮শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ১৪শুবা মেটচতা মোদেল ক্লবনা নপসাবু রন ৬৪দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস মোদেল ক্লবনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকপদা অপীবা ওভর ৩০দা বেটসমেন ৭ আউট ওইরগা রন ২২৭ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী সুরেশ শর্ম্মনা শুপ্নগী বোল ৭২দা রন ৯৪ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর অদু তৌবা ঙমখি। অতোপ্পা বেটসমেন মজিবুরসু বোল ৪৪দা রন ৪৬ লৌবা ঙমখি। লোয়ননা পনবা য়াবা স্কোরশিংগী মনুংদা ইকবাল অমদি সর্কোসু রন ১২/১২ লৌখি।

মায় পাক্নবা নপসাগী মায়কৈদগী রন ২২৮ লৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক ওভর ২৮গা বোল ৪ মায়োক্নরকপদা রন ১৬৩ খক লৌরগা ইন্নিংস অদু লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু মোদেল ক্লবনা নপসাবু রন ৬৩দা থোইখিবনি।

নপসাগী মায়কৈদগী সোমোরেন্দ্রোনা বোল ৬০দা রন ৫৭ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেন ইবোবীনা বোল ৪১দা রন ২৬ লৌরমখিবা লোয়ননা ভোগেন অমদি রতননা মথংশিৎনা রন ১১ অমসুং ১৮ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

নপসাগী ইন্নিংস অদুদা মোদেল ক্লবকী বোলর বোবিননা ৱিকেট ৪ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। ঙসিগী মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা মোদেল ক্লবকী মায়কৈদগী সুরেশ শর্ম্মনা ক্লব অদুগী ইন্নিংসতা শুপ্নগী বোল ৭২দা রন ৯৪ লৌবা ঙমখিবা অদুগীদমক মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবগী মনা অদু মহাক্না ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা হয়েংগী মেটচতা ওস্কার পাওনা বজার অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ লম্বা তৌনগনি।

## ইন্দিয়াগী লেমহৌবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং মেটচশিং কটারদা শান্নরগনি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১২ (এজেন্সী) :
এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী ৱারেপ অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়ানা মখা তানা লৈহৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িংগী মেটচ অহুম কটারদা শান্নরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কনফিদরেসন অসিগী মায়কৈদগী ৱারেপ অসি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চৎথোক-চৎশিনদা অথিংবা লৈরিবা অমদি ক্বারন্টিনগী কাঙলোনশিং অদু য়েংলগা কটারগী ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী টিম অসিনা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মাংওইননা কটারবু যূম্বু ওইরগা ইন্দিয়াদা শান্নরমগদবনি। মদুগী মতুং তারকপা মেটচ অমদা বাংলাদেশকা ধাকাদা শান্নবগী সেদ্যুল্ড লৈরম্বনি। অহুমশুবা ওইনা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা অফঘানিষ্টানগা লম্বা তৌনবগী মেটচ অমসু লৈখিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২২দা কটারনা যূম্বু ওইরগা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদৌরিবনি।


ইন্দিয়াগী টিম এসিয়াগী ক্বালিফায়িং রাউন্দগী গ্রুপ ঈদা ওমান, অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমদি কটারগা লম্বা তৌনখিবনি। ৱর্ল্ড কপকী ওইনদি ইন্দিয়াগী টিম ক্বালিফাই ওইবগী লম্বেল লোইশিনখ্রে। অদুবু এসিয়ন ফুটবোলগী ওইনা লেমহৌরিবা মেটচ অহুম অসিদা ফজবা ঙল্লবদি কান্নবা লৈগদৌরিবনি।

গ্রুপ ঈদা ইন্দিয়াগী টিম মেটচ ৫দা পোইন্ট ৩ ফংদুনা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরি। কটারনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। অদুগা পোইন্ট ১২ ফংলগা ওমানগী টিমনা অনীশুবদা লৈরিবনি। কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর থাদগী হৌরগা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িংগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিং অদু কোভিদনা মরম ওইরগা শান্নদনা লাকখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

PUZZLE NO. 50

IM Farid,F (2396) - GM Sandipan,C (2623)
Biel MTO 2013 Biel SUI, 2013.07.23



QUESTION :
Black wins in 4 moves


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN — CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE — Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021


Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020



| 9TH POSITION | 10TH POSITION | 15TH POSITION | 19TH POSITION | 19TH POSITION | 25TH POSITION | 25TH POSITION |
|---|---|---|---|---|---|---|
| NOVEENA KSH<br>D/o. Sarvodayachand<br>Nirmalabas | CHALTAN Y.<br>S/o. Y. Shantikumar<br>St. Joseph | TH. JEET<br>S/o. Th. Rashi<br>St. Joseph | DHANTHOI S.<br>D/o. S. Homeshor<br>Nirmalabas | MARY L.<br>D/o. Dr. John P.<br>Little Flower | H. NANDIBALA<br>D/o. H. Nandalal<br>Nirmalabas | HENRY O<br>S/o. O. Kumud<br>St. Joseph |

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m. | Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS — CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6780/10/2-17/3